হুইয়েন লানপাউ

মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা থোমজিল্লকপা ইমা-ইবেল-শিং স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা নুংশিনা লোয়নবগী শক্তম



লামায় ৩

জি জিতেশ্বর অমসুং অতৈ মীওই মরিগী মীহাৎ থিগৎপীনবা দিমান্দ তৌরদুনা মীয়াম্না থৌবাল ৱাংমতাবদা লৈবা দেবী মান্দপ্তা ফমখিবা ৱাকৎ মীফম



লামায় ৩

ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অমসুং ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দর ইস্যুগী মতাংদা লৈরিবা চয়েৎনবশিং কোকহন্নবা শিব সেনা মণিপুরনা ফমখিবা ৱাকৎ মীফম




লামায় ৫

আই এস টি ভিগী সব-এদিটর অখাম কুলেশ্বর এলিয়স ইবোতোম্বগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংদা পাউমীশিং অমসুং এম এল এ জয়কিষননা লৈ কৎপা



লামায় ৩

Vol. 42, Issue No.147 | নিংথৌকাবা, থৱান ১০নি পানবা, | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Monday, August 20, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## HL POLL

**Q :** Lallonbasingna Manipur da pot-cheigi mamal maning touna leppasi achumba khongthang ni loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT


**Q :** IM gi waroishin purakpada sixth schedule pinaba leingakna warep louraklagadi eikhoi yafam thoktabra?

Yes 26% No 74%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা

# ফাকাপকী কেস- সী বি আইগী চীফ ঙসি কোর্টতা ষ্টেটমেন্ট পীদৌরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা থোকখিবা ফাখিবা মীওই নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি হায়বা কেস খরগা মরী লৈনবা ৱাকৎশিংগী মতাংদা হিয়ারিং চথুরিবা সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিস মদন বি লোকুর অমসুং জষ্টিস য়ু য়ু ললিতনা শাবা বেঞ্চকী মাংদা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)গী চীফ অলোক ভর্মা হয়েং ষ্টেটমেন্ট পীগদৌরি।



ভর্মাদা মণিপুরদা থোকখিবা ফেক এনকাউন্টরনি হায়বা থৌদোকশিংদা

এজেন্সীগী রিপোর্ট খরনা হায়, বেঞ্চ অদুনা কেসশিং অদু হয়েং নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুংথিল পুং ২ দা পায়খৎকনি। কেস অদুগী মমাংগী হিয়ারিংদা বেঞ্চ অসিনা অলোক ভর্মাদা মণিপুরদা থোকখিবা ফেক এনকাউন্টরনি হায়বা থৌদোকশিংদা চেন্নৈ হায়না মরাল শীরিবশিংগী মায়োক্তা এজেন্সী অসিনা পায়খৎলিবা থবক্কী প্রোগ্রেস করিনো হায়না হংখিবনি।

হিয়ারিং অদুদা সী বি আইগী চীফনা ফোংদোকখি মদুদি, মতম কয়া হৌখিবনা এজেন্সী অসিনা মণিপুরগী ফেক এনকাউন্টরশিংদা চেন্নবনি হায়না মরাল শীরিবশিং অসিগী মায়োক্তা হৌজিকসু খূদম-চাংদমশিং খোমগৎলি। সী বি আইগী চীফনা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্টতা পীরিবা সবমিসন অদুগী পাউখুম ওইনা বেঞ্চ অসিনা সেন্ট্রেল এজেন্সী অসিবু থবক তপ্পী হায়না চৈথাংখি অমসুং কেস অদুগী একুজশিংবু ইম্ফালগী লম্বীশিংদা মনীং তম্না কোইচৎ চৎলিবা মীহাৎপশিংনি হায়না ফোংদোকখি। সেন্ট্রেল এজেন্সী অসিনা হীরম অসিগী মতাংদা হৌজিক ফাওবা মীফা-মীপূন অমত্তা তৌদ্রিবা করিগীনো হায়নসু এপেক্স কোর্ট অসিনা হংখিবা লৈখ্রে।

পনবা য়াবদি, মমাংদা থোকখিবা থেংখাঙ অমদা হৌখিবা ওগষ্ট ১৪ দা য়ামদ্রবদা লাম্মীগী পর্সনেল ৩৫০ রোমনা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পাৱর এক্ট (অফস্পা) চৎনরিবা মফমশিংদা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

# মণিপুরগী এন আর সী শেম্নবা মীয়ামগী মীফম্না ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সী) শেম্নবা ইথনো হেরিটেজ কাউন্সিল (হেরিকোন) না শীন্দুনা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীফমনা ৱারেপ লৌখ্রে।

এন আর সী অপদেসন ইন মণিপুর: প্রোব্লেমস এন্দ প্রোস্পেক্টস হায়বা হীরমদা পাঙথোকপা খন্ন-নৈনবগী থৌরমদা লৌখিবা ৱারেপশিংদি অহানবদা, লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিংবু মীতোপশিংনা য়োৎশিনগদবদগী কন্নবগী খোঙথাং অমা ওইনা মণিপুরদা নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন (এন আর সী) অপদেসন তৌগদবনি। অনীশুবদা,




মণিপুর ষ্টেট পোপ্যুলেসন কম্মিসন অথুবা মতমদা মণিপুর লৈঙাক্না শেমদুনা লমদম অসিদা মীতোপ চঙলকপা থিংনবা থৌরাংশিং (প্লান্নিং এন্দ পোলিসি) পায়খৎকদবনি। অহুমশুবদা, রিছোর্স পার্সন, ইন্টলেকচ্যুএল অমদি লমদম অসিগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়া য়াওনা পাঙথোকখিবা এন আর সী অপদেসন ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## অস! লোইরেহে!

নখোয়গুম্না ঐখোয়গীসু চহী ২০০০ গী পুৱারী লৈজে...!



রেকোর্দ লৈরদি য়েংজবা য়াগদ্রা...!

## লৈঙাক্না কেরলাদা ক্রোর ২ তেংবাংখ্রে


ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৯ (ঐচ এন এস): অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা ঈশিং-ঈচাও থোক্তুনা মীওই ৩৫০ হেন্না শিহনখ্রবা, মাঙ-তাক্লবা ফীভম অমদা লৈরিবা কেরলাগী মীয়ামগীদমক য়েংলগা মণিপুর লৈঙাক্না লুপা ক্রোর ২গী তেংবাং শেল কেরলা গভর্ণমেন্টতা পীখ্রে। তেংবাং শেনফম অদু চীফ মিনিষ্টরগী রিলিফ ফন্দদগী পীখিবনি। কেরলা মীয়ামগীদমক প্রাইম মিনিষ্টরনসু লুপা ক্রোর ৫০০গী শেলগী তেংবাং পীখিবা লৈখ্রে। হৌজিকসু মী কনবগী থবক চথুরি।

HL-B/4804/20




HL-P/5105/17/07-16/08




HL-B/4803/20